

মপানগী পাউ

ইরাননা ফাজিন্দুনা থমখিবা য়ু কেগী টেঙ্করদা য়াওবা ইন্দিয়ান ক্রু মেম্বর তরেৎ থাদোরকখ্রে

STENA IMPERO
Stena Bulk
S

টেহরান, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ ইরাননা জুলাই থাদা ফাজিন্দুনা থমখিবা বৃটিশ ফ্লেগ ওইল টেঙ্করদা য়াওরিবা ইন্দিয়ান ক্রু মেম্বর তরেৎ থাদোরকখ্রে হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অবাস মৌসাবিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী রিভোল্যুশনরি গার্দকোর (আই আর জি)না জুলাইগী তাং ১৯ দা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজগী শরুক্তগী য়ু কেগী ওইল টেঙ্কর ওইরিবা ষ্টেনা ইম্পেরো ফাজিন্দুনা থমখিবনি। মসি মরু ওইনা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা পর্সিয়ান গল্ফকী শরুক্তা উংখৎনবগী থৌওংশিং অমা হেনগৎলকখিবা চৈরক্তা থোকখিবনি।

জহাজ অদুদা য়াওরমখিবা ক্রু মেম্বর ২৩ অদু বৃটিশকী মীওই অমত্তা ওইরমখিদে। ক্রু মেম্বর অমদি জহাজ অদুগী কেপ্টেনগা ঐখোয়গা প্রোব্লেম অমত্তা লৈতে। জহাজ অদু নিয়ম থুগায়বগীদমক্তা ফাজিন্দুনা থম্বনি। মরম অদুনা ক্রু মেম্বরশিং অদু ফাজিন্দুনা থম্বা হায়বসি মশানা তাবনি হায়না মৌসাবিনা হায়রি।

ক্রু মেম্বরশিং অদুগী ইন্দিভিদুয়েল পর্মিট নৎত্রগা কন্সুলরগী ষ্টেটস অদু রিভিয়ু তৌখি। মখা তাবা কন্সিদরেশন তৌবগী থৌওংশিং চত্থরবা মতুংদা হ্যুমেনিটেরিনিয়নগী গ্রাওন্দদা য়েংলগা ক্রু মেম্বর খরদি জহাজ অদুদগী চৎপদা অয়াবা পীখিবনি।

য়ু কেনা ইরানগী ওইল টেঙ্কর গ্রেস-১বু গ্রিবালটারদা ফাজিন্দুনা থমখ্রবা মতুংদা মদুগী লমন খুল্লা ওইনা ইরাননা য়ু কেগী ফ্লেগ থেৎপা জহাজ অদু ফাজিনখিবনি। য়ু কেনদি ইরানগী জহাজ অদু য়ুরোপ্পা সেঙ্কশন থল্লিবা সিরিয়াগী থাওগী পোখোক য়োন্নবা হোৎনরে হায়বগী চিংনবা লৈবনা মরম ওইরগা ফাজিনবনি। অদুম ওইনমক ইরানগী জহাজ অদু টেঙ্কর অদুদা য়াওরিবা থাও অদু সিরিয়াদা য়োল্লোই হায়বগী অইবা থাজবা অমা পীরবা মতুংদা থাদোরকখ্রবনি।

ইরাননদি জুলাই থাদা ফাজিনখিবা য়ু কেগী টেঙ্কর অদুদা য়াওরিবা ক্রু মেম্বরশিংগী তেন্তকপা ভিদিও অমা থাদোরকখি। মসিদা ক্রু মেম্বরশিং অদুনা মীটিং রূমদা ৱারী শানবা অমদি শিপ সিষ্টেমগী ওপরেট তৌবা অমদি কূকিং তৌরিবা মফমশিংগী ভিদিওসু উৎখিবনি।

য়ু কেগী ফিরাল থেৎপা ওইল টেঙ্কর অদুগী ওপরেট তৌরিবা কম্পনিগী হেদক্বার্টরদি স্বিদেনদা লৈবনি। স্বিদিস কম্পনি ওইরিবা ষ্টেনা বল্ককী সি ঈ ওনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদদি ঙসি অথেংবা মতমদা ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী ক্রু মেম্বর ১০ থাদোক্লগনি হায়না কনফর্মেশন অমা ফংলে।

সি ঈ ও ইরিক হনেলনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, ক্রু মেম্বরশিং অদু জহাজদা লৈরি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মখা তাবা ঈ-পাউ ঙাইবগী থবকসু চত্থরি হায়রিবনি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মতম অসিদা ঐখোয়না ইরানগা ঈ-পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনরি। অথুবা মতমদা অহেনবা ইনফোর্মেশন কয়া ফংলগনি।

অগষ্ট থাদা ষ্টেনা ইম্পেরোগী ওনরনা ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর জাবদ জারিফকা উনদুনা জহাজ অমদি মদুগী ক্রুশিং অদু থাদোক্লবা য়াল্লা কন্না তকশিল্লিবনি। ইরাননা জহাজ অদুবু সীজ তৌখিবগী থৌওং অদু ব্রেষ্টর্ন লৈবাক কয়া'মনা কন্দেম তৌখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হায়খিবদা মখোয়না কাওন্টরপার্ট ওইরিবা ইরানগা ঈ-পাউ ফাওনদুনা জহাজ অদুদা য়াওরিবা ইন্দিয়ান ক্রু মেম্বরশিং অদু থাদোক্লনবা হোৎনরি হায়রিবনি।

য়ু কেনসু করিগুম্বা ইরাননা টেঙ্কর অদু থাদোক্তবা তারগদি অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রিবনি। ইরাননা য়ু এস ইকোনোমিক সেঙ্কশন থল্লিবা অদু কোমথোক্লবা হোৎনরিবনি। মসি মরু ওইনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা মমাঙ চহীগী মে থাদা ন্যুক্লিয়র দীলদগী ৱিদ্রো তৌখ্রবা মতুংদা ইরানগী মথক্তা সেঙ্কশন অদু থমজিল্লকখিবনি।

হৌখিবা থা খরগী মতম অসিদা ইরাননা ন্যুক্লিয়র দীল অদুগী কম্মিটমেন্ট খরা সস্পেন্দ তৌনবা খোঙথাংশিং লৌখৎখ্রে হায়খ্রবনি।

খঙজিনবদা কান্নবা

য়ু এসতা বার্থ রেটকী চাং হন্থরক্লে

য়ু এসতা বার্থ রেটকী চাং হন্থরক্লে হায়না সেন্টর ফোর দিজীজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সি দি সি)গী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে। য়ু এসকী ওইনা ফর্টিলিটিগী রেট অসি হন্থরকপনা মরম ওইরগা নুংনাংনিংঙাই ওইবা ফিভম অমা ফাওবা মায়োক্লুহল্লে। সি দি সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না য়ু এসকী ফর্টিলিটিগী রেট অসি ইং ২০১৭ অমদি ২০১৮গী চহীদা চাদা ২গী চাংদা হন্থরকপা থেংনরে। হৌজিক লৈরিবা রেট অসি য়ু এসকী হিষ্ট্রিগী খ্বাইদগী নেমথবা চাং ওইরে। মসি য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা চহী কয়াগী মতম অসিদা বার্থ রেটকী চাং অসি হন্দুনা লাক্লি। এক্সপর্টশিংনা পীবা মতকী মতুং ইন্না য়ু এস এদা বার্থ রেটকী চাং হন্থরকপা অসি মরু ওইনা হকচাং চাওবগী চাং হেনগৎলকপা, পোল্যুশন লৈবা, টিন প্রেগনেন্সিগী রেটকী চাং হন্থরকপা, য়ুম পানবগী মতম থেংথরকপা অসিনা মরু ওইবা মবরম অমা ওইরি।

চাইনানা অফগান শান্তিগী ৱারী মখা চত্থনবা তকশিনখ্রে

中华人民共和国外交部
Ministry of Foreign Affair

বৈজিং, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ চাইনানা অফগানগী শান্তিগী ৱারী মখা চত্থনবা তকশিনখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

ঙসি চাইনানা য়ু এস অমদি টালিবানবু অফগানিষ্টানদা শান্তিগী ৱারী শানরিবা অসি মখা চত্থনবা তকশিনখি। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনদি নাকল অনীগী মরক্তা নেগোসিয়েশন চত্থরিবা অদু কেন্সেল তৌরে হায়না লাউথোকখ্রবনি।

থাংজ নুমিত্তা দোনাল্ড ট্রুম্পনা টালিবান অমদি অফগান প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিগা কেম্প দেভিদতা শান্তিগী ৱারী শাননবা হোৎনরম্বা থৌরাং অমা তোকথোক্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

টালিবাননদি হৌখিবা চয়োলদা কাবুলদা পাঙথোকখিবা এটেক অদুগী দায়ত্ব অদু মখোয়ননি হায়না ক্লেম তৌখিবনি। হায়রিবা এটেক অদুদা অমেরিকা অমদি রোমানিয়াগী লান্মী অমা য়াওরগা পুন্না মীওই ১২ শিখিবগী থৌদোক লৈরিবনি।

য়ু এসনা টালিবানগা শান্তিগী ৱারী শানরি অমদি নাকল অনীনা দীল অদু পাঙথোক্লগনি হায়না আশা তৌনরম্লবনি।

অফগানিষ্টানগী লৈরিবা য়ু এসকী লান্মী ১৪,০০০ অসিগী মনুংদা ৫,০০০ হন্থহল্লগনি হায়বদা য়ানখিবগা লোয়ননা মদুগী খুল্লং লমন ওইনা টালিবাননসু অফগানিষ্টানবু য়ু এস অমদি মসিগা খোঙবু ওইনা চৎমিন্নরিবা লৈবাকশিংদা টেরোরিষ্টনা এটেক চত্থবদা শীজিন্নবা য়াহল্লোই হায়না থাজবা ৱাফম পীরিবনি।

য়ু এস ফোর্সনা নুমিৎ ৪নিগী মতম অসিদা অফগানিষ্টানদা অকনবা মওংদা বোম থাদখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ হৌখিবা চহী ১০রোমগী মতম অসিগী মনুংদা য়ু এসনা খ্বাইদগী অকনবা ওইনা নুমিৎ ৪নিগী মতম অসিদা অফগানিষ্টানদা লৈরিবা টালিবানগী পোজিশন্দা অকনবা মওংদা এয়রষ্ট্রাইক চত্থখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা টালিবানগা চত্থবা শান্তিগী ৱারী কেন্সেল তৌরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অদু চত্থরকখিবনি। টালিবানগী মায়কৈদগীসু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা শান্তিগী ৱারী কেন্সেল তৌরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা অফগানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এসকী লান্মী কয়া শিরগনি হায়বগী ফোঙদোকখিবা লৈরিবনি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা ট্যুটরদা পোষ্ট তৌখিবদা, অফগানিষ্টান্দা ঐখোয়না পুলিসমেনগী থবক তৌদুনা লাক্লি। মসি মালেমদা খ্বাইদগী ফাইনেষ্ট ওইরবা ঐখোয়গী থৌনা ফরবা লান্মীশিংগী থবকনত্তে। মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, হৌখিবা নুমিৎ ৪নিগী মতম অসিদা ঐখোয়না অফগানিষ্টান্দা মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা য়েক্নবশিংগী মায়কৈদা লান্দাখ্রে। মসি হৌখিবা চহী ১০গী মতম অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী অহানবা থৌদোকসু ওইরি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা টালিবানগী গ্রুপকা শান্তিগী নেগোসিয়েশন চত্থনবা হোৎনরম্বা থৌরাং অমা কেন্সেল তৌরে হায়না লাউথোকখিবনি। মসি মরু ওইনা শগোলশেন নুমিত্তা কাবুলদা সুইসাইদ কার বোম্বিং চত্থখিবগী থৌদোক্তা অমেরিকাগী লান্মী অমা অমদি রোমানিয়াগী লান্মী অমা য়াওনা পুন্না মীওই ১০ শিখিবগী থৌদোক অদু টালিবাননা পাঙথোকপনি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রবা মতুংদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা টালিবানগা ৱারী শানবগী থবক অদু কেন্সেল তৌরে হায়না লাউথোকখিবনি।

য়ু এসকী কেম্প দেভিদতা সেক্রেট ওইনা টালিবানগা ৱারী শাননবা থৌরাং চত্থরম্বা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা কেন্সেল তৌখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা টালিবানগী মায়কৈদগীসু অহেনবা এটেক কয়া অমা চত্থদুনা অমেরিকাগী মীওই কয়া শিরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

দোনাল্ড ট্রুম্পনা হায়খিবদা, শান্তিগী ৱারী শানরিঙৈ মতমদা মরাল লৈজদবা মীওই কয়া অমবু হাৎপগী থৌওংশিং লেপ্তুনা চত্থরক্লবদি মদুগী ৱাহল্লোক লৈতবনা মরম ওইরগা ৱারী শানবা অদু কেন্সেল তৌখিবনি।

সিরিয়াগী সীজফায়র জোনদা এয়রষ্ট্রাইক চত্থরেঃ মোনিটর

বৈরুট, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ ঙসিদগী নুমিৎ ১০নিমুক্কী মমাঙদা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবদা লৈরিবা সীজফায়র জোনদা এয়রষ্ট্রাইক চত্থরক্লে হায়না ৱার মোনিটর অমদি রিবেল গ্রুপকী স্পোক্সমেননা ফোঙদোক্লি।

সিরিয়ান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি মখোয়গী রসিয়ান এলাইনা নাকল নাম্মতগী ওইনা অগষ্টকী তাং ৩১ দা লান লেপ্পগী ৱাফমদা য়ানখ্রে। ওপোজিশন্না কন্ট্রোল তৌরিবা ইদলিবকী শরুক্তা লান লেপ্পগী ৱাফম অদু য়ানবা পুরকখিবনি।

অগষ্টকী তাং ৩১দগী হৌরগা রসিয়া অমদি সিরিয়াগী ৱার প্লেনশিংনা অকনবা মওংদা এয়রষ্ট্রাইক চত্থরকপা হৌরে। মসিদা সিরিয়ান গভর্ণমেন্টনা এরিয়াশিং অদু অমুক হন্না লৌশিন্নবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক গ্রাওন্দদা অকনবা মওংদা বোম-টোপ কাপ্পদুনা খুৎ থোক্লবগী থৌওংশিংদি চত্থরি।

মরক অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী মায়কৈদগীসু মখোয়গী ফোর্সনা ইদলিবতা লৈবা অল-কাইদা ফেসিলিটিগী মায়োক্তা এয়রষ্ট্রাইক চত্থখ্রে। মসি সীজফায়র চৎনবা হৌখিবদা এয়রষ্ট্রাইক অদু চত্থরকখিবনি হায়রি।

সিরিয়াগী ওবজর্ভেটেরি ফোর হ্যুমেন রাইট্স ৱার মোনিটর বৃটেনদা বেজ তৌবা অসিনা হায়খিবদা, প্লেনশিং অদুনা ষ্ট্রেটিজিক ওইরিবা জবাল অল-অক্রাট মাওন্টেন্ট রেঞ্জদা রেইদ অনী চত্থখি। হায়রিবা মফম অসি ৱেষ্টর্ন লতাকিয়াগী সমুদ্র খোংবানগা নক্লবা মফম্নি।

রেইদ অদু রসিয়ান অমদি সিরিয়াগী ৱার প্লেনশিংনা এয়রষ্ট্রাইক চত্থখিব্রা হায়বদি ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিদে। জাইস অল-নাসর রিবেল ফেক্সননগী স্পোক্সমেন মোহম্মদ রাসিদনা ফোঙদোকখিবদা, রসিয়াগী প্লেন য়াওনা রেইদ অনী চত্থখ্রে। সীজফায়র হৌখ্রবা মতুং রেইদ অদু চত্থখিবনি হায়রি।

পাকিস্তাননা য়ু এন ঐচ আর সিদা কাশ্মির ফিভমগী মতাংদা থৌশাদনা লৈরিবসি তৌদনবা তকশিনখ্রে

জেনেভা, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ জম্মু অমদি কাশ্মিরগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা য়ু এন ঐচ আর সি থৌশাদনা লৈরিবা অসি তৌদনবা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী তকশিনখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জম্মু অমদি কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ ৱিদ্রো তৌরগা টেরিটোরি অনী থোক্লা খায়দোকখিবগী থৌওংবু পাকিষ্টাননা য়াল্লা কন্না য়ানীংদবা উৎলিবনি।

মালেমগী ওইনা হ্যুমেন রাইট্স কন্সাইন্সতা য়েংলগা কাশ্মিরগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা থৌশাদনা লৈরিবা অসি তৌরোইদবনি হায়না পাকিস্তানগী মায়কৈদগী তকশিল্লি।

য়ু এন হ্যুমেন রাইট্স কাওন্সিলগী ৪২শুবা সেসন্দা ৱারোল পীরদুনা ফোরেন মিনিষ্টর শাহ মেহমুদ কুরেসিনা হায়খিবদা, য়ু এনগী রাইট বোদিনা ৱার্ল্ডগী ষ্টেজ অসিদা থৌশাদনা লৈথোক্লি।

য়ু এন ঐচ আর সিনা কাশ্মিরগী সিচুয়েশনগী মতাংদা থৌশাদনা লৈথোক্লিবা অসি পাকিস্তানগী মায়কৈদগী য়াল্লা কন্না য়ানীংদবা উৎখ্রে।

হ্যুমেন রাইট্স কাওন্সিলগী থোঙজিলদা মহাক্না নোক তৌরদুনা হায়খিবদা, হৌজিক কাশ্মিরদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি হ্যুমেনিটেরিয়ানগী গ্রাওন্দদা য়েংলগা মরু ওইনা মীৎয়েং চিংশিনফম থোকপনি। ৱার্ল্ডগী ষ্টেজ অসিদা অগষ্ট বোদি অসিনা অৱাবা তাহনবা অদু য়াহল্লোই হায়রি।

[illegible]

[illegible]

অসৌরাদা ইরাক্কী পিলগ্রিম ৩১ নেৎশিন্নবদা শিন্নরে

বাঘদাদ, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ ঙসি অসৌরাগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা ৱার্করৱেগী শরুক অমা নিংখায়বদগী মীওই কয়ানা নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা পিলগ্রিম ৩১ শিরে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

অসৌরাগী থৌরম অসি সিয়াইট জাতিগী ওইনা ধর্ম্মগী খ্বাইদগী শেংলবা নুমিৎনি। মীওই ১০০ রোম হেনবনা থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলে। অসৌরাগী প্রোসেসন লোইশিল্লমদাইগী শরুক্তা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মীয়ান্না মীপাইবদগী চেন্নবা হোৎনরকপদা অমগা অমগা নেৎশিন্নবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

ইরাক্কী কেপিটেল বাঘদাদতগী কিলোমিটর ৮০ রোম লাপ্পা হোলি সিটি অসিদা অসৌরাগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মশীং য়াম্লবা মীওই চা-কয়া তিনখি। চহী খূদীংগী ওইনা অসৌরাগী থৌরম অদু পাঙথোকপনি। অসৌরাগী থৌরম অসি মরু ওইনা প্রোফেট মহম্মদ মশুনুপা ইমাম হুসেনবু রাইবেল মুসলিম ফেক্সন্না করাবালাদা এ দি ৬৮০গী নুমিৎ অসিমক্তদা হাৎখিবগী নীংশিং থৌরম ওইনা পাঙথোকপনি।

হুসেন অমদি মহাক্কী দিসিদেন্ট সিয়াইটশিংনা প্রোফেটকী অচুম্বা চারোল-শুরোলনি হায়না উরিবনি। হুসেন হাৎখিবা অদুনা সিয়াইট অমদি সন্নি ইস্লামগী মরক্তা য়েংথিনবগী থৌওংশিং চত্থখিবনি।

হন্দক্কী চহী খরগী মতম অসিদা অসৌরাগী প্রোসেসন পাঙথোকপা মতমদা এক্সট্রিমিষ্ট সন্নি মিলিটেন্টশিংনা এটেক তৌবগী থৌওংশিং চৎখে। ঙসি অসৌরাগী থৌরম পাঙথোকখিবা অসি ৱার্করৱে নিংখায়রক্লিঙৈ মতম অদু ফাওবদি য়াল্লা শান্তি ওইনা থৌরম পাঙথোকখি।

তৌওইরিজ রন পাঙথোক্লিঙৈ মতমদা ৱার্করৱে অদু নিংখায়রকপগী থৌদোক থোকখিবনি। তৌওইরিজ রন অসি মরু ওইনা মীওই চা-কয়ানা করবালাদা লৈবা ইমাম হুসেনগী শ্রাইন অদু অন্না নুমিৎয়ুংবা মতমদা চেনশিনবগী ওইবা থৌরম অমনি হায়রি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, KHONGJOM, MANIPUR

Ref : Mutation Case No. : 548/SDC/KJM of 2019

NOTICE

Khongjam the 9-9-2019

1. Md. Ibo Khan S/o (Late) Md. Abdul Hamid of Sangaiyumpham Part-I Mairen Khun
2. Hariya Begum D/o (Late) Md. Abdul Hamid of Sangaiyumpham Part-I Mairen Khun ... Applicants

- Vrs -

(LATE) Angou Miya S/o Umor Miya
of Sangaiyumpham ... O.P.

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি: খুল নম্বর ৩৭ তেম্হা অরিবা পাট্টা নম্বর ৯৩৪ অনৌবা পাট্টা নম্বর ৭ দাগ নম্বর ২০৩৫ গী এরিয়া হেক্তর .৭২২০হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিদা পাল্লিবা অঙৌ মিয়া পীং উমোর মিয়া সাং সঙ্গাইয়ুম্ফমদা লৈবা মীওই মৃত্যু: ওইখ্রে। মহাক্কী মহুত্তা ফংফম শরুক্তি মহাক্না পোকপা মচানুপীগী মচা অনি অসিদা ইংখোল অসিগী নোংপোক থংবদা হেক্তর .২৫০৯ চাওবা ইংখোল অসি মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা পেপরদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাবীরক্কদবনি। হায়রিবা মতম অসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ / অপতি উক্তা কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী মতুং ইন্না মখা তাবা থবক কোর্ট অসিনা চত্থরগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Khongjom

NT/77813/11

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, KHONGJOM, MANIPUR

Ref : Mutation Case No. : 547/SDC/KJM/of 2019

NOTICE

Khongjam the 9-9-2019

1. Thongram Binokumari Devi D/o Chandra Singh of Lamding Cherapur
2. Thongram Chandrakumar Singh S/o Chandra Singh of Lamding Cherapur ... Applicants

- Vrs -

(LATE) Thongram Yaima Singh S/o Ibochao Singh
of Lamding Cherapur ... O.P.

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি: খুল নম্বর ১৩৩ ৱাংজিং অরিবা পাট্টা নম্বর ৩৭৫ অনৌবা পাট্টা নম্বর ৪৬৪ দাগ নম্বর ৩০২৩ হেক্তর ১.৩২৮২ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা পাল্লিবা কো পাট্টাদার নম্বর ১ থোঙ্গ্রাম য়াইমা সিংহ পী: ইবোচাও সিংহ সাং লমদিং চেরাপুরদা লৈবা মীওই অসি মৃত্যু: ওইখ্রে। মহাক্কী মহুত্তা ফংফম শরুক্তি মহাক্না পোকপা মচানুপাগী মশু অনি (১) থোঙ্গ্রাম বিনোকুমারি দেবী (হেক্তর .২৫০৯) (২) থোঙ্গ্রাম চন্দ্রকুমার সিংহ (হেক্তর .৫০৫৯) অনী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা পেপরদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাবীরক্কদবনি। হায়রিবা মতম অসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ / অপতি উক্তা কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী মতুং ইন্না মখা তাবা থবক কোর্ট অসিনা চত্থরগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Khongjom

NT/77813/11

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, KHONGJOM, MANIPUR

Ref : Mutation Case No. : 546/SDC/KJM of 2019

NOTICE

Khongjom the 9-9-2019

Md. Majid Ali S/o (Late) Md. Amerullah
of Sangaiyumpham Part-I ... Applicant

- Vrs -

(LATE) Amerullah S/o Yumjao Miya
of Sangaiyumpham Part-I ... O.P.

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি: খুল নম্বর ৩৬ সঙ্গাইয়ুম্ফম অরিবা পাট্টা নম্বর ৪৭ অনৌবা পাট্টা নম্বর ১৩০ দাগ নম্বর ১০৫৩ গী এরিয়া হেক্তর .১৪৩১ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিদা পাল্লিবা অমেরুল্লাহ মিয়া পীং য়ুমজাও মিয়া সাং সঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট-১ দা লৈবা মীওই মৃত্যু: ওইখ্রে। মহাক্কী মহুত্তা ফংফম শরুক্তি মহাক্না পোকপা মচানুপা অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা পেপরদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাবীরক্কদবনি। হায়রিবা মতম অসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ / অপতি উক্তা কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী মতুং ইন্না মখা তাবা থবক কোর্ট অসিনা চত্থরগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Khongjom

NT/77813/11

[illegible]

ঈ তাবা, চাফাৎপা, পোম্বা, হাক্কচবা, পোমথোক্লগা লৈবা, ফম্বা ঙমদবা, মসিবু ফহনবা **Arshnasak Piles Capsule**
DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

(নুংশং অমসুং গ্যাসত্রিক)

নুংশং ঈ তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী। পুক নুংশিং কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

(নুপাগী প্রোব্লেম)

শক্তি হন্থবা, হকতিন্নবগী শক্তি ৱাংপা, ফম্বী থুনা থোকপা, মপুং ফাবা ঙমদবা, ফম্বী পাবা, ফম্বী থোকপা ৱাংপা, অহিংদা ফম্বী চেংপা, মপান থোকপদা ফম্বী লোয়নবা, খোং হান্দা ফম্বী লোয়নবা, হকচাংগী ফিনুংগী হাক্কচবা অসিনচিবশিং অসি অয়ুর্বেদিক হীদাকশিংনা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে। চঙথোকপা, শাংদোকপা ঙম্বা মেল ওর্গনান দিভেলপর মেছিনসু অদোমগী অপাম্বা মখলদা ফংবীগনি।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিভো চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা চাং ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কৎচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি ব্রেষ্ট অপীকপা অমসুং চোম্বা মখলগী ব্রেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজহনবা পৃক্তি চিংশিন্নিংঙাই ওইবা অমসুং মপুং মরে ফাহনবা ঙম্বা অয়ুর্বেদিক ব্রেষ্ট ওইলমেন্টস অমদি মেদিসিনসু ফংবীগনু।

ডাইবেটিস লায়নানা মরম ওইরগা অহিংদা ঈশিং তোয়না চৎপা, ৱেথ চাং হন্থবা, পাঙ্গল শোম্বা, সেক্সকী শক্তি ৱাংলকপা অসিনচিংবা অসি ঐখোয়গী হীদাক চাং নাইনা চাবীয়ু নোংমা নোংমগী ডাইবেটিস চাং হন্থরক্কনি অদুগা সেক্স পৱার নোংম-নোংমগী কনখৎলক্কনি।

(অঙৌবা পকপা অমসুং ঊনশাগী লায়না)

অঙৌবা পকপশিংগীদমক থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্বা ইঞ্জেক্সনসু লৈজরে। অদোমগী অঙৌবা পকপা লৈরবদি লোৎশিন্দুনা থম্বীগনু, অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তান্নবীয়ু DUTTA CLINIC তা অমদি Skin Diseases, S.T.D. ECZEMA, উরিং, ফি লাইকোই অসিনচিংবা অতৈ স্কিন দিজীজসু লায়েংজরি।

(শমগী প্রোব্লেম অমসুং নাকোংগী প্রোব্লেম)

শম পোকখায়বা, শমজাবি, চহীগা চানদনা পোক হৌবা, শম কেনবা অসিনচিংবশিং অসি কোক্তা তৈনবা থাও অমদি মেদিসিন খরগা শীজিন্নরবদি শম কেনবা হন্থরক্কনি। শমগী মচু ওল্লক্কনি।

নাকোং, না তাবা ৱাংপা নাকোং নাবা,হান্না করিসু তৌদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি অতৈ অতোপ্পা মখলগী নাকোংগী লায়নাশিং কয়াসি লৈরবদি লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

(অরথ্রাইটিস জোইন পেন অমদি অজমা)

তাঙ-তাঙ চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খুৎ শিথবা মসল নাবা, খুৎ হাইগৎপা ঙমদবা, অজমা, লোক খুবা, মিহুন কা-হেন্না চোংবা, শ্বুর ফুনগৎপা, থবাক খেবা, থবাক নাবা, লোক কংখু খুবা অসিনচিংবশিংগীদমক ৱাবীগনু অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

(লুম্বা হেনগৎপা)

চহী মতাং অমদা হেক্তা লৈবা নুপামচা নৎত্রগা নুপীমচা মশাগা চানদবা মওংদা কংবা, মশা পাবা, ৱেথ য়াওদবা, মদুগীদমকসু ঐখোয়গী হীদাক্না ফহনবা ঙম্মী। লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

(য়ু করম্না থাদোকহৌগনি)

য়ুদা লাইচুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা ঐখোয়গী হীদাক অসি চাং নাইনা পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হ৞্জিল্লক্কনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোকপা ঙমগনি।

[illegible]
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House, Building.
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal